HUEIYEN LANPAO
# হুইয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses

ঠিএটরগী লমদা শক্লাইরবা লৈখিদ্রবা হৈস্নাম কহ্নাইলালগী মপোক কুমওন অমদি কলাক্ষেত্র মণিপুরগী গোল্ডন জুবিলিগা মরী লৈননা শিজা ব্লদ বেঙ্কতা পাঙথোকখিবা ঈ কৎপগী কেম্প



লামায় ৩

মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিতিগী থৌমীশিংনা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিন্নবগীদমক রেল্লি লাকপদা পুলিসনা থিংননবা হোৎনখিবা


লামায় ১

ইকোপনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পুয়া মৈ থাখিবগী ২৯১শুবা নীংশিং নুমিৎ থৌরমদা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা মাইচৌ নীংশিং মনা জি রিবামদগী হামোম ধনিদা খুৎশিন্নখিবা


লামায় ১

আই টি সী লিমিটেদকী মতেংগা লোয়ননা রাম কৃষ্ণমিসন ইম্ফাল সেন্টরনা দিষ্ট্রেস রিলিফ ৱার্ককী মখাদা পাৎশোইগী মীওই ৮০০ লোমদা ফিরোল লেন্না য়েন্থোকখিবা


লামায় ১

Vol. 43, Issue No.288 | থাংজ, ৱাকচিংগী ২৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, January 18, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন শোকচিল্লক্লবসু বি জে পিগী লন-থুম লুপা ক্রোর ২৪১০ হেনগৎলকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারি ১৭ (এজেন্সী): মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখল মাংওইননা শেনবা চহী ২০১৮-১৯দা ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)গী মরল মথুম চাদা ১৩৫গী চাংদা হেনগৎলকপগা লোয়ননা লুপা ক্রোর ২৪১০ হেনগৎলকখ্রে।

এসোসিএসন ফোর দেম্মক্রেটিক রিফোর্মস (এ দি আর)গী রিপোর্টনা হায়, কুমজা ২০১৮-১৯দা বি জে পিগী ইনকম লুপা ক্রোর ২১৪০ ওইখি। মমাঙগী শেনবা চহীদা ফংখিবা ইনকমদগী চাদা ১৩৫ হেনগৎলক্লে। হায়রিবা চহী অসিদা কোংগ্রেসকী ওইনা লুপা ক্রোর



৯১৮ ইনকম ওইনা লাকখিবগা লোয়ননা মমাঙগী শেনবা চহীদগী চাদা ৩৬১ হেনগৎলকখি।

পার্টি অনী অসিনা হৌখিবা চহী ৫ থংনা থংননা ইনকম লাকপগী চাং হন্থখ্রবা মতুংদা মমাঙগী শেনবা চহীদা শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা ইনকম লাকখিবনি। কনাগুম্বা মীওই অমনা মশক মমিং তাকথোক্তনা পোলিটিকেল পার্টি অমদা দোনেসন তৌগে হায়রবদি ইলেক্টোরেল বোন্দগী খুথাংদা শেল পীরক্কদবনি। শেনবা চহী ২০১৮-১৯দা লাকখিবা বি জে পিগী অপুনবা ইনকমগী চাদা ৬০ হেন্না ইলেক্টোরেল বোন্দগী খুথাংদা লাকখি। হায়রিবা চহী অদুদা পার্টি অসিনা লুপা ক্রোর ১৪৫১ ইলেক্টোরেল বোন্দগী খুথাংদা ফংখি। কোংগ্রেসকী ওইনদি হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা লুপা ক্রোর ৩৮৩ দোনেসন ওইনা ফংখি। পার্টি অসিগী অপুনবা ইনকমগী চাদা ৪২নি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## নাগাগী ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক মায় পাক্লা ৱারী শান্নবা লোইরে ঃ রবি

দিমাপুর, জন্যুৱারি ১৭ (এজেন্সী): ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং নাগা পোলিটিকেল গ্রুপশিংগী মরক্তা ৱারী শান্নবগী থবক থৌরমশিং মায় পাক্লা লোইশিল্লে হায়না নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবিনা ফোঙদোকখ্রে।

নাগালেন্দ এসেমব্লীগী মীফম হৌবা নুমিৎতা হায়খি, নাগাগী ৱারোইশিন পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎপদা মরী লৈনবা পুম্নমক্লা থম্মোয় শেংনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলকপদগী হিরম খুদিংমক্তা য়ান্নবা পুরক্তুনা ৱারী শান্নবা লোইশিনখিবনি। মতম শাংনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা



লৈরক্লবা নাগা পোলিটিকেল ইশুগী ৱারোইশিন পুরক্লবগী থৌরাংদা মরী লৈনবা পুম্নমক্লা মখা তানা কোওপরেসন পীবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

নাগা পিছ টোকতা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ইন্টরলোক্যুটরসু ওইরিবা নাগালেন্দগী গভর্ণরনা ত্রাইবেল হোহো, চর্চ অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। য়ুমলোন্নরিবা ষ্টেটশিংগী লৈঙাক অমগী মীয়াম্না ৱাথোক অসি মুন্না খঙবিবগা লোয়ননা লুরবা তানফম অসি য়ৌরকপদা মখা তানা কোওপরেসন পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৯গী মতাংদা আর এন রবিনা হায়খি, নাগালেন্দদা বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন ১৮৭৩গী মখাদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## লৈঙাক্কী ওর্দর হায় কোর্টনা চৎনহনখিদ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৭ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন, হাউজিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্ট (মাহুদ)না মমাংগী কুমজা ২০১৯গী জুলাই ১৫দা থোকখিবা ওর্দর অমনা থা ৬কী ওইনা সস্পেন্দ তৌদুনা থম্লকখিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সি)গী সস্পেন্সনগী মতমবু অতোপ্পা থা ৬ অমগা অমুক শাংদোকহনবগী থাসিগী ১৫দা লোয়শঙ অসিনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা চৎনহন্দনা থমখ্রে। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## য়ুথ কোংগ্রেসকী থৌমীশিং ফাজিল্লুরে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস): পুলিস, আই আর বি রিক্রুটমেন্টতা শেঞ্জা-থুমজা লৈতনা ফ্রী এন্দ ফেয়র ওইবা মওংদা পায়খৎলু হায়বা মেমোরেন্দম সী এমদা পীশিন্নবগীদমক রেল্লি লাকখিবা মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী থৌমীশিং পুলিসনা ফাজিল্লুরে। ফাজিল্লুরবা কোংগ্রেসকী থৌমীশিং অদু ঙসি নুমিদাংৱাইরম থাদোকখ্রে হায়রি।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মীওইশিংনা কোংগ্রেস ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৭ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি (দি পি) এল বিক্রমনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা আই পি এস ওফিসার ৭ অমসুং এম পি এস ওফিসার ৫গী ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে।

ওর্দর অদুগী মতুংইন্না ফম হোংদোক হোংজিন তৌখ্রবা আই পি এস ওফিসারশিং অদুদি থৌবালগী এস দি পি ও ওইরম্বা সৌজানিয়া সিংহনা প্রমোসনদা নৌনা জেসামিগী এদিস্নেল এস পি ওইনা, ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## মালোম মীহাৎ থৌদোক্কী মওং মতৌ নৌনা শাগৎতুনা সি বি আইনা ইনভেষ্টিগেসন চথ্নগদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৭ (ঐচএনএস): কুমজা ২০০২গী নবেম্বর ২দা মালোমদা ৮শুবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা মীচম ১০ হাৎখিবা থৌদোক অদুগী মওং মতৌ থৌদোক থোকফমদা নৌনা শাগৎতুনা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)গী এস আই টি টিম অমনা লাক্লিবা জন্যুৱারী ১৯গী অয়ুক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথ্নগদৌরি।

হিরম অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, এ আরনা মীওই ১০ হাৎখিবা থৌদোক অদু হকথেংননা থেংনখিবা ৱিথনেসশিং অমদি লোকেল ওথোরিটিশিংগী মতেংগা লোয়ননা সি বি আইনা থৌদোক্তুগী মওং মতৌ নৌনা শাগৎতুনা থিগৎকদৌরিবনি। থৌদোক্তুগী মওং মতৌ নৌনা শাগৎপা অদুদা মেপ স্কেলসু ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### পুয়া মৈ থাখিবগী ২৯১ শুবা নীংশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

## লমদমসিগী মমল য়াম্লবা লাইরিকশিং মৈতৈ ময়েক্তা ওন্থোক্লবা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি : নিংথৌ

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৭ (ঐচএনএস): ইন্টর্নেসনল ওবজার্বেসন কম্মিতি ওন পুয়া মৈ থাবা (ইকোপ) কংলৈপাক্লা শীন্দুনা পুয়া মৈ থাখিবগী চহী ২৯১শুবা নীংশিং নুমিৎ থৌরম ঙসি উচিৱাদা লৈবা ইবুধৌ পাখঙবা লাইকোলদা পাঙথোকখ্রে।

পুয়া মৈ থাখিবগী নীংশিং থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইকোপনা চহী খুদিংগী পীদুনা লাকপগুম চহী অসিগী ওইনা মাইচৌ নীংশিং মনা জিরিবামগী লাইরেম্বী লৈকাই ৱার্দ নম্বর ১দগী হামোম ধনিদা অমসুং চীং-তম নুংশি লিপুন মনানা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী নামজু ভিলেজদগী এন বেঞ্জমিন তাওদা লান্থোকখি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা জন্যুৱারী ১৬তগী মচু তরেৎকী ফিরাল তঙ্খাই চীংখৎতুনা থমখিবা অদু নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা মপুং ওইনা চীংখৎখি। থৌরমদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, বেঙ্গোলি ময়েক্তা লৈরিবা লমদমসিগী অরীবা অমদি মমল য়াম্লবা লাইরিকশিং অসি ওন্থোক্লনবা ঐখোয় পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি। লৈঙাক্লসু হিরম অসিদা অখন্নবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## রেপিষ্ট ২ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎপদা চেন্নবা কাদর ২ ফারে: এস পি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১৭ (ঐচএনএস): তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা রেপিষ্ট ২ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা থৌদোকশিংদা চেন্নবা য়ু এন এল এফকী কাদর অনী ফারে হায়না ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি যোগেসচন্দ্র হাওবিজমনা ফোঙদোকখ্রে।

হিরমসিগা মরী লৈননা ঙসি নুমিদাংৱাইরম এস পি ইম্ফাল ইষ্টকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা এস পি যোগেসচন্দ্রনা হায়খি, রিপব্লিক দেগী মাংওইননা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো, ৬শুবা এ আর অমসুং ৩০ শুবা এ আরগী অপুনবা খুৎপু অমনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপা মতমদা তোপ খোঙনাংখোঙগী অকোইবদা থিবা হুম্বগী থবক চথবগা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### মঙাশুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

## মণিপুরবু পোলোগী মরুওইবা লমথুংফম ওইহন্নবা হোৎনরি : চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি হৌনবী মতুংইন্না মপান কাংজৈবুংদা ৫শুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মালেমদা অসুক্কী মতিক নীংথিজরবা মশান্না অসিবু খুদোল তম্বীরম্বা ইপা-ইপুশিং অমদি ইবুধৌ মার্জিংদা ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপনি। মালেমদা মণিপুরনা পোলোগী হৌরকফম ওইরিবসি



চাউথোকচনিংঙাইনি।

মণিপুরবু পোলো মশান্নগী মরুওইবা লমথুংফম ওইহন্নবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। পোলো মশান্না চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## রাম কৃষ্ণ মিসন ইম্ফালনা ফিরোল য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচএনএস): আই টি সী লিমিটেদকী সপোর্টকা লোয়ননা রাম কৃষ্ণমিসন ইম্ফাল সেন্টরনা দিষ্ট্রেস রিলিফ ৱার্ককী মখাদা ঙসি পাৎশোই পার্ট ৱানদা মীওই ৮০০ লোমদা শেৎনবা খোঙ্গ্রাও, ফুরিৎ, স্বেটরনচিংবা ফিরোল কয়া য়েন্থোকখ্রে।

ফিরোল য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ঐচ ভি এস কন্সত্রক্সন মেটিরিএল প্রাইভেট লিমিটেদকী প্রোপ্রাইটর ঐচ বিক্রমজিৎনা চীফ গেষ্ট, আই পি এস (রিটয়ার্দ) পি ধনকুমারনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৭


## Gurumayum Suresh Sharma appointed as BCCI Observer



Mr. Gurumayum Suresh Sharma, S/o G. Narayan Sharma of Kongman Zone-I, a member of Manipur Cricket Association (MNCA), has been appointed as "BCCI Observer" for the India vs Australia 3rd ODI Match on 19th Jan. 2020 at Bengaluru by Board of Control for Cricket in India (BCCI). He is the first ever member in the history of MNCA, to be appointed as BCCI Observer.

It is a proud and historic moment of MNCA as well as for the state of Manipur.

Sd/-
Family & Well Wishers

HL-B/5989/18


### HL Poll

Q: B.A. gi syllabus ta yaoba Meetei Mayek ki lairik ayamba phangdriba asi Leingak amadi M.U. gi authority gi asoiba leibanani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: M.U. gi center for Myanmar studies ta UGC na chahi khudinggi lupa lakh 10 gi senpham piramba lepkhiba asi M.U. Authoritygi asoiba leibgini khanbra?

Yes 91% No 09%


গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

### অ ঈং-অশাগী পাউ


খাইদগী শাবা ২৭.৮৫ °C
খাইদগী ঈংবা ৬ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৬.০১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৪৮

### অস! লোইরেহে!

- ইবুংঙোনা পুরক্লিবা ঈশিং অসিবু কদাইদগীনো, মচু অসিবু?



- খুরা, দাইরেক্ট নেচরগী ঈশিংনি, মফম হায়দোকপা য়াদে...!

HL-P/5531/12/12-13/01



HL-B/5983/18